# কাংপোকপীদা ফৌবোল কয়া ঈশিংনা চেন্থখ্রে, জিরিবামদসু য়ুম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৭(এস এন এস)ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনি নোং লেপ্তনা চুবনা মরম ওইরগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টগী ৱকোটফাইদা লৌবুক্তা খাওদোক্লগা থম্বা ফৌবোম কয়া ঈশিংনা চেন্থখিবদগী চাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। জিরিবামসু ঈশিংনা য়ুম ৬৯ লোম থুমজিনখিবদগী মীওই কয়া লৈফম লৈত্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না হৌখিবা ইরাই অমদি থাংজ নুমিত্তা নোং লেপ্তনা চুবদগী কাংপোকপী সব দিভিজনগী মনুং চনবা টুজাং ৱাইচোং সব দিভিজনগী মনুং চনবা ৱাকোৎফাইদা লৌবুক্তা খাউদোক্লগা থম্বা ফৌবোম কয়া চীংদগী চেন্থরকপা ঈশিংনা লোইনা চেন্থখ্রে হায়রি।

ফৌবোম কয়া ঈশিংনা চেন্থখিবা অদুনা মরম ওইরগা কুম অমগী ৱানা হোৎনদুনা ফৌ খরদং ওইরবসু লোক্লবা হোৎনজরিবা লৌমীশিং মকোক্তা খূৎ হাপ্লে হায়রি। মফম অদুগী মীয়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা ফৌবোমশিং অমাং অতা থোক্লবা লৌমীশিংগী অৱাবা য়েংলগা লৈঙাক্লা মতেং পাঙবীনবা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তনা চুবনা মরম ওইরগা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কামরঙ্গ মুস্লিম এরিয়াদা লৈবা খুচোই থুপ হায়না খঙনবা মফম অসিদা লৈবা য়ুম ৬৯ লোম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়রি।

খুল অসিগী য়ুমশিং ঈশিংনা থুমজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া লৈফম লৈতবদগী হৌজিক কামরঙ্গ গভর্ণমেন্ট এদেদ এল পি স্কুলদা রিলিফ কেম্প হাংদোক্তুনা ময়ূম মকৈ ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা মীওইশিংগী লৈফম পীরি।

ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরবা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা হিলঘাট গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল সোমেন্দ্র সিংহনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমদি দিসিদা হায়জরুবদা পুলিস পার্সোনেলশিং থাবীরক্তুনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংগী পোৎচৈ হোন্দোক হোনজিন তৌবদা মতেং পাঙবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকই হায়খি।

ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মফমশিং অদুদা দি সি অমদি এস পি য়াওনা য়েংশিনখি।

খুচোই থুপ হায়রিবা মফম অসি জিরি তুরেলগী ঈশিংগী ইচেলনা কনমন্দুনা থৈদোকখিবা তারবদি খুল অসি ঈশিংগী ঈয়ায়দা লৈবা নৎত্রগা অসামরোমথংবা শরুক্তা লৈখিবা ফাওবা য়াই হায়না মফম অদুগী মীয়াম্না ফোঙদোক্নরক্লি।

ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা জিরিবামগী এম এল এ এম দি অসবউদ্দিন অমদি সোসিয়েল ৱার্কর এন বুদ্ধ সিংহনা চানা থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাঙখি হায়রি।

অমরোমদা হন্দক্কী চহী অসি লৌউগদবা মতমদা নোং লিক্লা চুবনা মরম ওইরগা ইকং থোকপদগী লৌ পানবা য়াদবগী ফিভম লাকপদগী লৌমীশিংনা ঙম্নবা উপায় থিদুনা লৌ পানখিবনি।

ঈশিং চিংনবা মফম লৈতবদগী উপায় থিদুনা তুরেলদগী ঈশিং তেঙ্করশিংনা ঈশিং হোন্দুনা ৱানা লৌ পানখিবা লৌফমশিং লৌ খাওদোক্লবা মতুংদা লেপ্তনা চুখিবা নোংনা মরম ওইরগা ফৌবোম কয়া ঈশিংদা লুপশিনবা য়াওরি হায়রি।

# সভেন সলাই সোপ্পিং মোল হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭(এস এন এস)ঃ সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী সবসিদরি য়ুনিট অমা ওইনা সভেন সলাই সোপ্পিং মেল অমা ঙসি খুরাই থাংজম লৈকাইদা কম্পেনি অসিগী ভাইস চিয়ারমেন, নারেংবম বিশ্বজিৎ, এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো অমদি অকোইজম দিপা অনন্দনা হৌদোকখ্রে।

মোল অসি হোংদোকখিবগা লোয়ননা মোল অসিগী মনুংদা লৈবা য়ু এস য়ু পি এস ও, Salai Mart, Brand @ 50 সু এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রম, শৈশকপী পুস্পারানি হুইদ্রোম অমদি পোরোম্পাৎ পি এস কী ও সি, এম বিদোনকুমার অমসুং পোরোম্পাৎকী এস দি পি ও এন সুরজিৎনা হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভি সি, এলাংবম ব্রোজেন্দ্রোনা হায়, গোবেলাইজেসন অমদি লিবরেলাইজেসন্না পীরক্লিবা শাফু অসিনা লমদম অসিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইনা লৈরকপগা লোয়ননা ৱার্ক কলচরদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। পূন্নমক অসি থেংনবা মথৌ তাই। মদু নৎত্রবদি অশোয়বা অমা য়াওরকপদা ফুকৎপা ঙম্লোই।

মহাক্লা হায়, চৈথেংশিং অসি থেংননবা ঐখোয়গী ওইনসু খোঙফম অমা চেৎনা লেপহৌবা মথৌ তাই হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ অমা থমদুনা সভেন সলাই মোল অসি হাংদোকপনি। মোল অসি হাংদোকপগী পান্দম অসিগী মনুংদা থবক ফঙদ্রবশিং থবক পীদুনা ইকোনোমিক্স ইম্পৱারমেন্ট তৌবা হায়বা অসিসু অমনি। মোল অসিদা ইন্টরটেমেন্ট, ফুট কোর্ট, গ্রান্টমেন্ট, নোংমগী শিজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক ফঙগনি হায়খি।

# ‘য়েংথিনবনা ঐখোয়দা তোংজবা অমত্তা লৈতে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (এস এন এস)ঃ লীগ ওফ দ ফোর্থ ৱাল্ড পিপল কংলৈপাকনা শীন্দুনা কোহেসিব রিলেসন এমোং দ মোসেক এথনিক কম্যুনিটিজ ওফ কংলৈপাক (মণিপুর) হায়বা হীরম অসিদা নুমিৎ নীনি চৎথগদবা সেমিনারগা লোয়ননা ১৩ শুবা ইন্দিজিনিয়স ব্রদরস মিট ২০১৯ গী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জ য়েন্তকুমারনা লমদম অসিদা খুন্দমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবনা ঐখোয়দা তোংজবা করিমতা লৈতে। ঐখোয় মশেল মরক্তা খেননবা লৈতে হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা অমতা ওইনা নুংশিননা হিং মিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয় মীওইবা অসি ৱাখল ৱাংনরকপগী মতুং ইন্না লাইনিংদা অমদি হীরম খুদিংমক্তা পুল্লপ পুন্সিন্নিংবা অমসুং পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মমি অমা তাবা উরক্লি। ঐখোয় মীওইবা অসি তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎচরগসু খেননবা লৈতে। কুপ্না য়েংশিল্লুরবদি ঐখোয় মশেল য়েংথিনবগী ৱাহন্থোক লৈতে। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয় মশেল মরক্তা মানা চীংমীনি, মানা তম্মীনি হায়না খায়দোক্তুনা লৈবগী মতম নত্তে। অদুনা কনাগুপ্পা মীওই কাঙলূপ অমতনা ঐখোয় মশেলসি খেননৈ হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ইশু শাগৎপসি থাদোক্লসি।

মীশিং য়ামজদবা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল শাউনফম থোক্তে। য়েংথিনবনা তোঙজবা অমতা লৈতে। ঐখোয় মশেল থাজনরবদি নুংশিনরবদি পুন্সিনবা ঙমগনি। হৌখিবা খোংজোম লান্দা লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী চীংমী তম্মীগী ইচিল ইাওশিংগী মরক্তা অন্দমান নিকোবর ঈথৎতা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈ লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎপা ফঙনবা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা হোৎনরি। চীংমী তম্মী খায়দনা নুংশিনবা পুরকপদা মতেং ওইরগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লীগ ওফ ফোর্থ ৱার্ল্ড পিপল (এল এফ দব্লিউ পি কে) গী প্রসিদেন্ট মঙজু কারোং কোম, হান্নগী মিনিষ্টর আর ভি মিংথিং, এল এফ দব্লিউ পি কেগী ভাইজ প্রসিদেন্ট সানি এলেক্সজেন্দর মাও, এল এন ইসাক আইমোল, মঙাংচা কৈশাম ইবোমচানা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসু গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# বাবৈ শিরিনদা খেলেন থোকচোম ফেলোসিপ পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭(এস এন এস)ঃ লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা পাউমী খেলেন থোকচোমগী ৫৯ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা খেলেন থোকচোম ট্রষ্টনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা লৈখিদ্রবগী নীংশিং থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা অনীরকশুবা ওইনা খেল্লেন থোকচোম ট্রষ্টনা পীবা মেদিয়া ফেলোসিপসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী পাউমী বাবৈ শিরিনদা খূৎশিন্নখি।

শেল ওইনা লুপা ৫০০০০ য়াওবা ফেল্লোসিপ অসিদা হন্দক চহীগী ওইনা ফেল্লোসিপ অসি ‘ৱাটর ক্রাইসিস এন্দ ইটস মেজেনমেন্ট ইন মণিপুর’ হায়বা হিরম অসিদা ওইখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এদিটর গিলস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্রা খোমদ্রাম, অমজগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম, সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট প্রদিপ ফাঞৌবম, ইম্পেক টি ভি গী চীফ এদিটর রুপচন্দ্র, দি আই পি আর গী দাইরেক্তর বালকৃষ্ণ সিংহনচিংবা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংদা থৌ পুরিবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

# আই এম য়াওদ্রসু...

*লমায় ১গী মখা*অয়াবা অমা হেক্তগা খূৎয়েং পীননিংবগী অপাম্বা লৈরে। এন এস সি এন (আই এম) গদি ফিরাল অমদি কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরবসু এন এন পি জিগী ওইনদি ইশু খুদিংমক্তা য়ানবা পুরক্তুনা খূৎয়েক পীনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, খূৎয়েক পীনবা অসি মতম অমদা হেক্তা পীনবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাগালেন্দগী লূপ খুদিংমক শরুক য়াহন্নীংবনা মরম ওইদুনা ওক্টোবর ৩১ ফাওবা এন এস সি এন (আই এম) গী লুচিংবশিংগী ফীরেপ অমা ঙাইবনি হায়খি।

তোঙানবা ফিরাল অমদি কন্স-টিট্যুসনগী মতাংদা মহাক্লা হায়, এন এন পি জিসু হীরম অনী অসিগী মতাংদা দিমান্দ তৌবদি লেপ্তে অদুবু হৌজিক লৈবাক অসিগী ওইরিবা ফীভম অসিদা ওইথোক্লোইদবা ফীভম অসিদা খরা হন্দোক-হঞ্জিন তৌবনি। মখা তানসু লেপ্তনা তকশিনখিগনি অদুবু হৌজিক্কী ওইনদি নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরক্তুনা নাগাশিংগী ওইবা চাউখৎপা অমদি তংদু- লৈতাবা খুন্নাই অমা পীনবা হোৎনবনি। এন এন পি জিনা নাগা মীয়ামগী অপাম্বা মনীং থুংনবা অমদি নাগাশিংগী শক্তম কন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। ৱারোইশিন অসিনা চহী ৭০ হেন্না তান্দুনা লাকপা নাগাশিংগী দিমান্দ অদু মপূং ফানা ফংলে হায়বা নত্তে অদুবু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি য়ানরিবা হীরমশিং অসিনা খ্বায়দগী ফবা ওইগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

# কোলেজ ইলেক্সনগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবিগনু ঃ মহৈরোইশিং

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭(এস এন এস)ঃ লাক্লিবা নবেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈঙাক্কী কোলেজশিং য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোলেজ ইলেক্সন ২০১৯-২০ অসি মহৈরোইশিংনা খৎন চৈনবনচিংবা পামদবা থৌদোকশিং থাকহনবিগনু হায়না মহৈরোইশিং লূপ তরুক দেসাম, এইমস, এম এস এফ, সুক, কে এস এ, এমসু না আপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসন্না হায়, হৌখিবা কোলেজকী ইলেক্সন অমদি হায়র সেকেন্দরিগী ইলেক্সন্দা মহৈরোইশিংগী মরক্তা খৎন চৈনবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক হেক হেক থোক্তুনা লাক্লি। লমদম অসিগী তুংগী য়ুন্বী ওইরক্কদবা মহৈরোইশিংদগী মহৈরোই খুন্নাইগী লুচিংবা খনবদা হান্নদগী ইংনা চিক্লা দেমোক্রেটিক ওইনা পাঙথোক্লবা আপিল তৌদুনা লাক্লি। লাক্কদৌরিবা নবেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মহৈরোইশিংগী মরক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লক্লবদি মহৈরোই লূপ তরুক্কী মনুংদা ঈপাউ ফাওনদুনা কা হেনবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎমীন্নসি। লোয়ননা মহৈরোইশিংনসু পরম চুন্না ইলেক্সন পাঙথোকপিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম্না হায়, কুমজা ২০১৯-২০ গী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোলেজ ইলেক্সন অসিদা কেন্দিদেটশিংনা ফ্রি এন্দ ফিয়ার ওইবা মওংদা পাঙথোকপিয়ু। লোয়ননা মহৈরোইশিংনা ইলেক্সনগা মরী লৈননা খৎনা চৈনবা অমত্তা তৌবিগনু হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা মহৈরোই লূপ এম এস এফ, কে এস এ, সুক, এইমসকী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

# দিৱালিগী য়াইফ পাউজেল ...

*লমায় ১গী মখা*মরু ওইবদু উৎলি। লম-লমগী খেন্নবা মতুং ইন্না নুমিৎ অসিদা হিন্দুশিংনা লাইনিং-লাইশোন তৌদুনা লনগী লাইরেম্বী লক্ষ্মীবু খুরুম্নে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক হরাও তয়ান্না নুংঙাই-য়াইফনা অমসুং চাথোক- পোখে-াক মরাঙ কায়না পুথোকপা ওইরসনু।

ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, কুম্মৈ অসিনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং থম্মোয়বু অমত্তা ওইবগী মঙাল পীরি। মীপূম খুদিংমক্না নুমিৎ অসি মৈ থাদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। কুম্মৈ অসিনা ফত্তববু অফবনা মায়থিবা পী হায়বদু উৎলি। ঐখোয়না কল্লক্লবা, শেঙ্গা-থুমজা, ঈ-নাই তানবা অমসুং কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশিনবা পুন্নমক মুখৎতুনা অমত্তা ওইনা নুংশিননা হিং মিন্নদুনা খুন্নাই অসিবু মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগসি হায়রি।

ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিএচ শ্যামকুমারনা মহাক্কী পাউজেল পীরদুনা হায়, মীয়ান্না দিৱালি নুমিৎতা য়ুম-য়ুমদা মৈ থান্দুনা অমম্ববু ঙানহন্দুনা লনগী লাইরেম্বী লক্ষ্মীদগী থৌজাল নীনরি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুর মীয়ামগী পুন্সিদা ইংনা-চিক্লা, নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, কুম্মৈ অসিনা ফত্তববু অফবনা মায় পাক্তুনা হরাউ-তয়ান্না পাঙথোকপা থৌরম অমনি। ফেষ্টিভেল অসিনা লাকপদা ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী ৱাখলদা নুংশি-চান্নবা অমদি মচিন-মনাও ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু। কুম্মৈ অসি পাঙথোকপদা য়ারিবমখৈ অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা কা-হেন্না মোৎশিনহনবা মওংদা পাঙথোকপীনবসু আপিল তৌরি।

লোক সভাগী এম পি, ডা আর কে রঞ্জননা হায়, দিৱালিগী ফেষ্টিভেল অসিনা অঙানবনা অমম্ববু অমসুং অফবনা ফত্তববু মায়থিবা পী হায়বা উৎলি। দিৱালিগী শেংলবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামদা মঙাল অমগা লোয়ননা নুংশি চান্নবা, নুংঙাই-য়াইফবা অমসুং মায় পাকপা ওইরসনু।

# মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী পুলিসশিংদা মীৎকুপ...

*লমায় ১গী মখা ...*তোঙান তোঙানবা এন এস সি এন আই এমগী বট্টালিয়নশিং অমসুং ব্রিগেটিশিং মপুং ওইনা জে সি বট্টালিয়ন (কিফিরে) অমদি য়েনবেমো ব্রিগেদ (ট্রিয়েন্সাং) ব্রিগেদকী সেল্ফ ষ্টাইল কমান্দিং ওফিসারশিংনা মখোয়গী কাদরশিংদা মখোয়না পায়রিবা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরূশিং অদু ঙাক শেন্নবা লোয়ননা কেম্পশিং অসিগা নক্লবা খুঙ্গংশিংদা থৈদোক্লবা পাউতাক পীখ্রে হায়বা খঙলে।

অতোপ্পা পাউগী লিখুননা হায় লালহৌলূপ অসিগী দিমাপুরদা লৈরিবা সেনিয়ার লুচিংবশিংসু খূৎলায়শিং থং দোকখিবগী পাউ লৈ।

পাউশিংগী মতুংইন্না লালহৌলূপ অসিগী তোঙান তোঙানবা রেঙ্কতা লৈরিবা মকোকথোংবা ওফিসারশিংনা মখোয়গী কাদরশিংবু মীওই ১০-২০গী ওইবা গ্রুপ শেমদুনা মোবিলাইজেসন তৌবগী থবক চথরে হায়বা তারে।

ফিভম অসিদা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তবা য়াদবগী ফিভম অমদা লাক্নে। মরম অসিনা তঙাইফদবা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা মেসেজ অদুনা খঙহল্লি।

অমরোমদা, নাগালেন্দগা য়ূমথংনরিবা লৈবাক অমা ওইরিবা অমদি ৱারোইশিন অসিদা শোক্ননি হায়না মীপায়নরিবা মণিপুরদসু রাজ ভবন য়াওনা তেঞ্জন তেঞ্জনবা মরু ওইবা মফমশিংদা পেরা মিলিটরি য়াওনা মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থামদুনা অকনবা মওংদা ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অসিগা মরী লৈননা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টেমজেম তোয়না হায়, হৌজিক ওইরিবা ফিবম অসিদা মীয়াম্না কা হেন্না নুংনাংনিঙাই লৈতে। তৌবতবু পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবদি তঙাই ফদে।

নাগালেন্দগী দি জি পি, টি জোন্ট লোংকুমারনা হায়, ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পুলিসনা অকনবা চেকশিং থৌরাং লৌখৎলি। পুলিসশিংনা লৈরিবসি মীয়ামবু ঙাক শেন্নবনি মরম অসিনা মসিদা মীয়াম্না নুংনাংনিঙাই ওইদে হায়খি।

এন এস সি এন (আই এম) দগী ফঙবা পাউ অমনা হায়, ৱারী শান্নবা অসিদা মখোয়না দিমান্দ তৌবা য়াওখিবা নাগাগী ওইবা তেঙানবা ফ্লেগ অমদি কন্সিট্যুসন লৈহনগদবনি হায়বা ৱাফম অদুদা এন এস সি এনগী ফিরেপ লেঙ্গনা লৈরি। মসি পীদ্রবদি মখোয়না হিরম অমত্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা য়ানবা পুরক্লোই।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখুত্তগী নীংতম্বা হেক ফঙবা ইবুঙ্গ কুইদনা নাগাশিংগী ওইবা নীংতম্নগী খোঙজং অসি চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মসিগী মতুংদা ১৯৯৭ দগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি লানহৌরিবা এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা সিজ ফয়ার থম্নদুনা ৱারী শান্নদুনা লাকখিবনি। ৮৬ রক হেন্না খূৎয়েক পীনখিবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী আর্টিকিল ৩৭০ লৌথোক্তুনা স্পিসিয়েল ষ্টেটস ওইনা লৈরম্বা অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোকখিবদগী থৌদোক অসিদগী নাগাগী ৱারী শান্নবা অসিদসু অচৌবা ইথিল অমা পীখিবনি।

# তুরেলগী ঈমায় ...

*লমায় ১গী মখা...* ইরিল তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা য়াবা থাক য়ৌদ্রিবা মরন্না ঈথায় বিরেজসু ঙসি নুমিদাংগী পুং ৭ ফাওবা হাংদ্রি। ইরিল তুরেলগী ঈমায় নেন্না চেনবনা ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলগসু লিলোং মখাদদি ঈশিং চাউগনি হায়বগী মীপাইবা লৈতবা মরন্না ঈথায় বিরেজগী গেটশিং হাংদোক্তবনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

অহিং অমা নোং চুখিবা মরন্না সহর অসিগী অকুৎপা মফম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। নোং খজিক্তুং চুবদা ঈশিং থুমদবা য়াদবা ককৱা অসেম লৈকাই মপা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা ঈশিংনা লম্বী মশক উদনা লৈরি। মসিদা নত্তনা ঈরম- খোংলম ফত্তবা মফম কয়ামরুমসু ঈশিং থুমজিল্লগা লৈরি। অহানবা মণিপুর রাইফলস বট্টাল্লিয়নগী পেরদ গ্রাউন্দ ফাওবা ঈশিং চাউবা উখি।

# প্রেয়র..

*লমায় ১গী মখা ...*সব ওর্দিনেটর বোদিশিংনা পূন্না কেন্দল থানবিদুনা প্রেয়র তৌবিয়ু। হৌজিক য়াম্না লুরবা ফিভম অমদা লাক্লবা মতম অসিদা নাগা হোমলেন্দগী মায় পাকপা পোলিটিকেলগী লম্বী অমা লাক্লবা কেন্দল থান্দুনা ঈশ্বরদা প্রেয়র তৌবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

# পীছ পোষ্টর কনটেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭(এস এন এস)ঃ লাইওনস ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা জর্নি ওফ পীছ হায়বা থিমদা মহৈরোইশিংগী ওইবা পীছ পোষ্টর কনটেষ্ট অমা ঙসি সঙাইপ্রৌদা লৈবা ক্লব অসিগী সার্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

কনটেষ্ট অদু পুন্না মহৈরোই ১৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। কনটেষ্ট অদুদা অহানবা তাখ্রবা কেন্দ্রিয়া বিদ্যলয়া লম্ফেলপাৎকী মহৈরোই জুলিয়ানা থোইদিংজমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৫০০০, অনীশুবা তাখ্রবী শিসু নিষ্ঠা নিকেতনগী তনুশ্রী তোংব্রমদা শেলগী লুপা লিশিং ৩০০০ অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবী কেন্দ্রিয়া বিদ্যলয়া লম্ফেলপাৎকী প্রিসিলা হৈক্রুজমদা লুপা ২০০০ পীদুনা পূরক্লিং থৌগৎখি।

# সি এম, এন বিরেন উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭(এস এন এস)ঃ এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা লাক্লিবা ওক্তোবর ৩১ দা খূৎয়েক পীনরগনি হায়বা অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা ঙসি ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেসন কম্মিটি (এ এম এম ও সি ও সি) গী মীহুৎ কাংবু অমনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগা উন্নবা অদুদা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা পাউমীশিংদা হায়, মতম শাংনা চত্থরক্লিবা নাগা পীছ টোক্ক অসি য়াম্না শান্তি ওইবা মওংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা পাম্মী। ইথনিক কম্যুনিটিগী মীৎয়েংদা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল শেম্বগী খোঙথাং লৌরকপা তারবদি মৈহৌরোলদগী হৌনা কাংলূপ ফুরুপ কয়াগী মরক্তা লৈনরক্লিবা নুংশি চান্নবগী মরীদা অকায়বা লাক্কনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি লাক্তবা ওইসনু। করিগুম্বা লাকপা তারবদি মুস্লিম ইচিল ইনাওশিংনা তুমীন্না লৈথোক্লোই হায়খি।

# মীয়ামগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লসু এপোইন্টমেন্ট ...

*লমায় ১গী মখা...* পুরকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা থম্লুবনি। হৌজিকসু মদুগী থাজবা অদু মাঙদ্রি। মসিদা কোংগ্রেসনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা লৈতে।

লৈরিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা হোৎনরিবা অসি পোলিটিকেল পার্টিগী ওইবা মীৎয়েংদা নত্তবদা মীচম অমা ওইনা য়েংবদা ইপেন পেন্দনা লৈরি।

পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌখিবা অদু থেংমল্লি হায়না লৌই। এন এস সি এন-আই এমগী ইশু অসি ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়না হান্না মাঙজৌননা লাওথোকখিবা লৈখ্রবনি। কোংগ্রেস পার্টিনা খনলম্বদি মতম অদুদা ওল পোলিটিকেল পার্টি কৌদুনা, সি এস ওশিং তান্নরগা মসিদা য়াম্না ইংবা তপ্পা, তুংকোইবা ৱারোইশিন পুরকপদা মতেং পাঙসি। লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অসি কায়রকপা য়াবগী প্রোভিজন য়াওরকপদা য়াবা ঙম্লোই হায়বসি সেন্টরদা হান্না মতম চানা তকশিন্নবা শিনলক্কদ্রা হায়না ঙইদুনা লাকপনি।

কোংগ্রেস পার্টিদি হান্না চৎনিংলবনি, খাঙবা ঙমদ্রবনি। মসি ষ্টেটকী কম্মন ইশু ওইবনা তোখায়না নাইতোম তানিংবগী ৱাখল ওইনা পুখিগদ্রা খন্দুনা মীফম কৌরকপা ঙাইবনি।

থেংলবসু থেংনা পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌরক্লে, দ্রাফটিং কম্মিতি শেম্লে, দ্রাফ্ট মেমোরেন্দম শেম্লে। অদুবু হৌজিক্লা অরোইবা পুংজাদা এপোইন্টমেন্ট পীরক্ত্রি হায়বসি অঙকপা ফাওই।

মসিগী ইশু অসি কোংগ্রেসনা থেংনরকপা ঙসি ঙরাংগী নত্তে। ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন চৎপা অসি হন্দক্লা অহানবা নত্তে। মমাঙদা চত্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর উন্নবা লৈখ্রে।

মসিদা ফম্লগা এপোইন্টমেন্ট পীরকপা ঙাইবদি পীরক্কনি হায়বগী থাজবগী ৱাংমদনি। দিল্লিদা চৎলগা পোলিটিকেল পার্টিগী অপুনবা দেলিগেসন অমা লাকই হায়দুনা খঙহনবা তাই।

কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল লিদর কয়া লৈরিবা অসিগী মতাংদা উন্নদুনা এপোইন্টমেন্ট পীহনবীনবা তকশিনবা য়াই। মসি লেফ্ট অমসুং অতৈ পার্টিশিংগী মায়কৈদগীসু পীনবা হোৎনবা কায়দে।

নেসনেল পার্টিশিং অসিনা প্রেসর পীরবদি এপোইন্টমেন্ট পীদবা য়ারোই। মসিদা ফম্লগা লৈরগা এপোইন্টমেন্ট পীরক্ত্রি হায়বদি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ইশু অসিদা লুম্না লৌদে হায়না লৌই।

লৈবাক্কী ইশু লাকপদা প্রাইম মিনিষ্টর হোম মিনিষ্টরবু কিনিঙাই লৈতে। ষ্টেট অসিগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনবা চংই। মসি থুগায়বা তারবদি মসি ফাওবা ঐখোয়গী ফিরেপ মসি ফাওবা লৈ হায়বসি মতম চারিঙৈদা থেংনহৌদ্রবদি তুংদা করি থোক্লক্কদগে হায়বা তম্বা ঙমদে।

হৌজিক সেক্যুরিতিগী শেম শাবা অসি লোইদুনা লৈবনি। করি থোক্লক্কদগে হায়বা ঙমদনা লৈরি।

লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং নুংশিননা চান্না চিন্নবা লৈমিন্নবা তাই। চীংদা চাউখৎপা তম্পাক্তা চাউখৎপা মণিপুর চাউখৎপনি। মদুগী পেকেজ পীরকপা তরাম্না ওকফম থোকই। অদুবু পীরকপা পেকেজ অদুগী শেনফম ষ্টেট লৈঙাক্লা থৈদোক্লগা শিজিন্নবগী থৌনা লৈতে। তৌবতবু ফন্দ পুন্নমক অসি ষ্টেট চাউখৎনবা, চীং চাউখৎনবা শেঙ্গুং পীরকপদা লৈঙাক্লা য়েৎকদবা লৈতে হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা নৌনা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনলকখ্রবা এম ওকেন্দ্রোনা হায়, ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না দিল্লিদা চৎনবা তৌরবা তুংদা দিৱালি কুম্মৈ লৈবনা এপোইন্টমেন্ট ফংদে হায়না তোকখিবা অসি লাইবক থিবনি।

লৈরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মীয়ামগী থম্মোয়দা মীপাইরবসু লৈঙাক অসিনা করিসু খন্দনা লৈথোকপগী মমি তাই। মরম অসিনা ঐখোয়না পুন্না চৎন্নিবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সেন্টরদা অমসুং ষ্টেটতা বি জে পি লৈঙাক লৈরবসু হৌজিক ফাওবা হংবা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতিগী মেম্বর অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম, এম এল এশিং অমদি পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লবশিংনা কৈথেল মীনা ...

*লমায় ১গী মখা...*অহোংবা লাকপনা মীওইবগী অপাম্বা হোংলকপনা খুদোলদসু লাকই। মতম অমদা লমদম অসিদা শাজবা ফি কয়া খুদোলনা ওইনা পীনরম্বদু মানা মানা তঙাইফন্দবা পোৎ-চৈ পীনবরোমদা লাকপনা মখল-মখা কয়াগী আইটেমস ওইবা পোৎ- চৈদা খুদোলনা ওইখিবনি। অদুবু চাক্লৌবগী ওইনা অখন্নবা ফি-রোল খরা হন্থরক্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

চহী ১০ রোম খ্বায়রম্বন্দ ইমা কৈথেলদা লমদমসিগী নুপীশিংগী অকে-অমৌগী ফিজেৎ লৈতেং য়োল্লিবী এন ইবেমচা কৌবী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়, চাক্লৌবগা মরী লৈননা পোৎশিংতি অদুম ফৈ। অদুবু চহী ৪/৫ গী মমাঙদা চাক্লৌবগীদমক পোৎ- চৈ লৈবা লাকপদুদি ওইদ্রে। মসিগী মরমদি নুপীগী অকে-অমৌগী ফি অমদি ফনেকনচিংবা য়োনবা শোরুমনচিংবা কয়া হাংদোরকপা অসিনা খ্বায়রম্বন্দ ইমা কৈথেলদা পোৎ লৈবা লাকপগী মশীং হন্থরকপা ওইগনি খল্লি।

চাক্লৌবগী পোৎ- চৈ লৈবা লাকপা নঙ্গোলদগী চহী ৫৫ রোম শুরবা কেঐচ সুবদনি কৌবী অমনা পাউচে অসিদা হায়, লৈবাক্কী চরাংনবা মরকসিদা চাক্লৌবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি নোংঙাল্লগা করি অমুক থোক্লক্কনি খনবদা নুংঙাইফম খঙদে। পাঙথোক্তবা য়াদবনিনা চহী ১ দা অমুক্তং লাকপা নিঙোল চাক্লৌবা অসিদি শোয়হন্নীংদবনা ইচা নিঙোলগী দক্ষিনা পোৎ- চৈ লৈবা লাকপনি। পোৎ- চৈগী মমলসু চাক্লৌবগী খুদোংচাবা লৌরগা হেনগৎনা য়োনবসু য়াওই। খরা অমনা হান্নগী মমলদা য়েংনবদা মান্নবসু য়াওই হায়না ফোঙদোকখি।

# হুন্নিদা ঙাইরে: ইপা-ইপুগী অহুম্লক হায়বদু ...

*লমায় ১গী মখা...* লৈমিন্নরিবা নাগালেন্দদা অমদি অৱাং নোংপোক লমদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা কনানসু করিসু হায়দে পূন্নমক্লা শৌগৎনরিবনি। অদুবু য়ূমথংননা লৈমিন্নরিবা ষ্টেটশিংগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রেটি অমসুং বাউন্দরি অমদি ফুরুপচাশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশি-চান্নবগী মরীদা কায়হনবা-থুগায়বদি য়ারোই হায়বসিনা অপূনবগী খোল্লাওনি। খোল্লাও অসিগী মায়োক্তা লাকপশিংদু থেংনবা মায়োক্লবা হায়বসিদি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী হকনি। চহী কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং লমখৈদা কায়হল্লোই হায়বসিদি অদুমক হায়দুনতা লাকই। কোংগ্রেস, বি জে পি খক্তগী ৱা নত্তে। অৱাং নোংপোক লমদম হায়বসিদা অসামনা ষ্টেট, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরানা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা লৈরম্বনি। অতৈদি অসামগী দিষ্ট্রিক্ট নৎত্রগা সব-দিভিজন ওইনা লৈরম্বনি হায়বসিসু পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লিবনি। অসাম ষ্টেট রিওর্গনাইজেসন কম্মিসন নৎত্রগা কম্মিটি অমসুং নোর্থ ইষ্ট রিওর্গনাইজেসন কম্মিসন নৎত্রগা কম্মিটি শেমদুনা লৈমিন্নরিবা ষ্টেটশিং অসিগী বাউন্দরি লমখৈ য়াৎখিবনি হায়বগী ৱাফমসু লৈরি।

হৌজিক ৱারোইশিন পুরক্লবা কুমজা ১৯৯৭ তগী ৱারী শান্নরক্লিবা অসিদা পন ওইনা লৈরবা ৱাফমদি নাগাগী তোঙানবা ফিরাল (ফ্লেগ) অমসুং চৎন-কাঙলোন (কন্সটিট্যুসন) লৈগদবনি হায়বসিনি। ৱাফম অসিমক্তি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা শুকয়া য়াখিদ্রে। স্বাইদনি কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মমাঙদা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম মরু ওইরক্লিবসি। চহী ৪ রোম অরোনবা ওইনা থম্লক্লিবা এগ্রিমেন্ট অদুগী বেসিসতা তোঙানবা ফ্লেগ অমসুং কন্সটিট্যুসন এন এস সি এন (আই এম) না দিমান্দ তৌবনি হায়বসি নাগাগী এপেক্স বোদি ওইরিবা নাগা- হো-হোগী প্রসিদেন্ট ঐচ কে ঝিমোমিনা মেডিয়াগী খূত্থাংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে। অসিদসু নত্তে, কুমজা ১৯৯৭ তগী কুমজা ২০১৫ ফাওবা চহী ১৮ গী মনুংদা নাকল অনীনা ৮০ রক হেন্না ৱারী শান্নখ্রবা মতুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদু খূৎয়েক পীনখিবনিসু হায়রি। অসিগী মথক্তা, কুমজা ২০১৭ কী নবেম্বর ১ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দ নাগা নেস্নেল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) গী ‘এগ্রিদ পোজিসন’ হায়বা অমসু খূৎয়েক পীনখি হায়না পুথোরক্লি। মসিদা নাগাশিংগী দিসটিঙ্ক আইদেন্টিটি অমসুং সেল্ফ দিটরমিনেসনগী রাইতপু শক খঙবা য়াওরি হায়নসু পল্লি হায়রি।

অসিগুম্বা লোৎশিন্দুনা থম্বা এগ্রিমেন্ট অমসুং পোজিসন কয়া অসিনা ঙাক্লৌ ওইরগা চত্থরকপা অসিনা য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিং মপূং ওইনা মণিপুরদা শাফু পীরক্লবদি মদুনা তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বগী নুংনাংবা অকিবদগী ঙাকথোকহৌনবা হোৎনবা হায়বসিদি তঙাইফদবনি। আ মমাঙগী নত্তবা হৌখিবা চহী ২২ অসি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমদি ঙম্খৈ-লমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না মীয়ান্না লাউদুনা লাকখিবনি। মসিদা মীশি-মীনা কয়া, মৈহৌ-লাংপোক কয়া য়াওখ্রে। গভর্ণমেন্ট পায়রম্বা মিনিষ্টর কাউন্সিল ফাওবা কায়-খবা-তুখিবা পূন্নমক্লা উখ্রে। অসুক লুরবা ফীভম অসিদা সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা বি জে পি লুচিংবা কয়া মরু ওইনা নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরী রাম মাধোপনা নাগা শান্তি ৱারীগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট তান্নরমগনি হায়বদু ঙসি ফাওবদি মদুগী মমি তাদ্রি হায়বদুসু হন্দক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মিটিং পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা থৌরাং তৌখিবা অদুনা অদুমক তাক্লে। হৌজিক রাম মাধপ কদায়দা চৎখ্রে, মহাক্লা হায়রম্বশিং অদু নুমিৎ হুন্নিদা ঙাইশিল্লক্লবা ফাওবা পো কাঙদ্রিবসি করিগীনো হায়বসিসু মীয়ামগী অচৌবা ৱাহংনি। বি জে পি মণিপুর ষ্টেটনা ইশু অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মীয়ামদা থমখিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎকনি অমদি শৌগৎকনি হায়খিবা অদু হৌজিক মণিপুর য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা হন্থরগা নাগালিমদা য়ারে হায়রক্লবদি মদুদসু অদুমক শৌগৎকদৌরিবা জাৎলা হায়বসিসু হংনরক্তবা নত্তে।

শুমাঙ লীলা ইপোমগী ‘হুনে দাক্লমদায়দা তাক্লুম্মু’ হায়রগা হুনে দাকখ্রে হায়না তাকপগী মওং-মতৌ তাহন্দনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হোৎনফম থোকই। নৎত্রবদি লৈবাক্লা দোশি ওই, ঈশিংনো থাউ ওই হায়বদু তারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। কুমজা ২০০১ গী জুন অপরাইজিংনসু ময়েক শেংনা উৎখ্রবনি।

# ইমা লূপশিংনা রেল্লি চত্তুনা ঙসি সি এমদা মেমোরেন্দম ...

*লমায় ১গী মখা...* মীহুৎকা উন্নবদা হৌজিক্কী ওইনা মণিপুরগী মীয়াম মীপাইনিঙাই ওইদে হায়খিবা ৱাফম ঙাক্লা হোৎনবিয়ু। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্তনবা য়াম কন্না হোৎনরি হায়রকই। ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী ইংতপ্পা পুরক্লবা হোৎনবিয়ু।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর এল রতনকুমারনা হায়খি, মণিপুরগী ষ্টেট এসেমব্লিনা অখন্নবা সেসন অমা কৌরগা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, মণিপুরদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কাংলূপ নাইবা থৌশিল চত্থবা য়ারোই হায়বগী ৱারেপ লৌরগা থাবিয়ু হায়বনি। হৌজিক ফাওবা মসিগী এক্সন লৌখৎপা উদ্রি। এসেমব্লিগী এম এল এ ৬০ অসি মীয়ামগী মীহুৎনি। মখোয়না লৌবা ৱারেপ হায়বসি য়াম্না লেগিলে বিল্ডিং লৈগদৌবনি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী ষ্টেক হোল্ডর তান্নগনি হায়বসু তানদ্রিবা অসিনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি খঙবিদুনা মণিপুরগী মীপুম খুদিংমক্লা কাংলূপ ফুরুপ নাইদনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কাইদনবা খোঙজং চঙশিমীন্নসি হায়খি।

অমরোমদা, এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চত্থনরিবা পিছ টোক্ক অসিগী ৱারোইশিন লাকপদা মণিপুরগী হান্নদগী লৈরকপা অপূনবগী শক্তমশিং কায়হল্লকপা য়াই হায়দুনা কোকোমিনা চঙশিল্লকখিবা চেকশিন খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসিসু তেঙান তেঙানবা কৈথেলশিংদা চৎতুনা চেকশিন ফীরেপ লৌমিন্নখ্রে।

ঙসি শগোলবন্দ তেরা কৈথেল, নাওরেমথোং কৈথেল, শিংজমৈ কৈথেল, ককৱা কৈথেল, ক্বাকৈথেল, চজিং কৈথেল, লিলোং কৈথেল, ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবী, কোইরেঙ্গৈ, খুরাই লম্লোং কৈথেল, কোংবা কৈথেল অসিনচিংবা কৈথেলশিংদা পিছ টোক্ক অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা পিছ টোক্ক অসিগী ৱারোইশিন লাকপা অসিদা লমদম অসিগী হান্না লৈজরমখিবা অপূনবগী শক্তম কায়রকপা য়াই হায়দুনা কোকোমিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা খঙহনখি অমদি অপূনবগী ওইবা চেকশিন ফীরেপ লেপমিন্নখি।

মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর, ইন্দিয়াগী কাঙলূপ নায়বা থৌশিন য়ানিংদে, চীংমী-তম্মী অমত্তনি, মণিপুরগী ইন্টেগ্রিটি কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং অমত্তা ওইনা লাউমিন্নখি।

কোকোমিগী চেকশিন খোঙজং অসিগী মনুং চন্না ঙসি কৈথেল খুদিংদা চৎতুনা পিছ টোক্ক অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা কে আই এলগী জেনরেল সেক্রেটরী সমজেৎশাবম ওংবী মেমচা লৈমনা হায়, এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা নাগা পিছ টোক্ক অসি চত্থ-দুনা লাকখি। হায়রিবা পিছ টোক্ক অসিগী ৱারোইশিন থা অসিগী ৩১ দা পুরক্লগনি হায়দুনা থাজনরি।

এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চত্থ-নরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি য়াওই হায়বা ঙসি ফাওবা মীয়ামদা খঙহন্দনা লাক্লি। পিছ টোক্ক অসিগী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনসু ঙসি ফাওবা খঙদরি। অদুবু মণিপুরগী হান্না লৈজরমখিবা ফীভম করিগুম্বা হীরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী লেঙদ্রবা ফিরেপনি। মসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদসু মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে। পি এম মশামকসু মসিদা মণিপুরগী শক্তম কায়নিঙাই য়াওদে পিছ টোক্ক অসিগী ৱারোইশিন লাকপা মতমদা মণিপুরগী মীয়ামগা তান্নরমগনি হায়নসু খঙহল্লকখিবা লৈখ্রবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মসি পূন্নমক অসিগী ৱাংমদা থা অসিগী ৩১ দা পিছ টোক্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি। পি এম মশামক্লা ৱারোইশিন পুরক্লমদায়দা মণিপুর মীয়ামগা তান্নরমগনি হায়বদু থবক্তা ওন্থোক্তরি। পিছ টোক্ক অসি লোইশিন-খবদা অথিংবা করিসু লৈতে। অদুবু মসিনা মরম ওইরগা হীরম অমত্তদা মণিপুরগী শক্তম কায়নবা ওইরকপদি য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী হিষ্টৌরিগী কলচরবু রেস্পেক্ট তৌগদবনি। মসিগী ৱাংমদা লাক্লগাদি লমদম অসিগী মরাইবক লমদম অসিগী মীয়াম্না লেপচগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, কক্চিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ৱাবগাই লমখাই কৈথেলদা চেকশিন মীফম ফমখি হায়রি।